## চয়োল ২গী মনুংদা মিদ দে মিলগী পোৎলমশিং ফংহন্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর এল্লাইয়েন্স ফোর চাইল্ড রাইটস (এম এ সী আর)গী মায়কৈদগী কৈশাম প্রদিপকুমানা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)দা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমগী মখা তাবা প্রোসিদিং কম্মিসন্না লৌখৎখিবগা লোয়ননা স্কুলগী মহৈরোয়শিংগী মিদ দে মিলগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং মহৈরোয়শিংগী য়ুমশিংদা হোম দেলিভরি সিষ্টমদা চয়োল অনীগী মনুংদা ফংহন্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা ঙরাং চথখিবা প্রোসিদিংগী মতুংইন্না হায়রিবা থবক অসি পাঙথোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরদা দিরেক্সন পীখিবনি।

পনবা য়াবদি, পিটিসনর কে প্রদিপকুমারগী পিটিসন অসিগী মতুংইন্না কম্মিসন্না কমপ্লেন্ট কেস নম্বর- ৪১ ওফ ২০২০ লৌখৎখ্রবনি। কেস অসিগী অহানবা প্রোসিদিং মমাঙ থাগী ৩০দা চথরবা মতুংদা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা কম্মিসন্না দিরেক্টিভশিং পীখ্রবনি।

## দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবগীদমক মীয়াম য়ুমদগী মপান থোকহন্দনবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনচিংবা থল্লিঙৈদা নারোন্দা তোঙান তোঙানবা মফমদা কর্ফিয়ু থুগায়দুনা লম্বীদা চৎলম্বা মীওই ৩০২ অমদি গাড়ী ২২৬ য়াওনা দিটেন তৌখ্রে।

কর্ফিয়ু থুগায়বা মীওই ৩০২ অদু কন্সর্ন মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্লগা ফাইন ওইনা লুপা ২৪,৬০০ থিহনখ্রে। লৈঙাক্লা মীয়াম্বু য়ুমদগী মপান থোক্তনবা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিবু মপুং ফানা শৌগৎপীনবা মণিপুরগী এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এল/ও) এল কাইলুননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## অৰাবা নংলবশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা অসি থিংনবা মণিপুর লৈঙাক্লা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনচিংবা থমদুনা মীয়াম য়ুমদগী মপান থোকপা থিংবদগী নোংমগী তঙাইফদবা চানবা পোৎচৈশিং ফংদবগী অৰাবা অমা মায়োক্লরিবা অসিদা নোংমৈবুং অপুনবা মৈরা লুপকী প্রিসিদেন্ট ওইরিবা থবক্তপা পোথারবগা ঙাও বিনি লৈমনা মাগী মপা ৪গী পেন্সনগী শেনফম্না ঙারি অমদি থুমনচিংবা লৈকায় অসিগী ইমুংশিংদা কোয়না শেনফম্না ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

অমরোমদা, লোকদাউনগা মরী লৈননা রিলিফ কম্মিটি এগেনষ্ট কোভিদ-১৯ খুন্দ্রাকপম এ সীনা ঙসি উয়ুমপোক মমাঙ লৈকায়গী ইমুং ২৩০ অমদি হরাওরৌ খুনগী ইমুং ৪৫০ দা নোংমগী তঙাইফদবা চানবা পোৎচৈশিং মতেং পাংখ্রে।

মরকসিদা, কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা ৱাংজিং লমদিং কৈথেলদা লৈবী অরাম্বম বেদানা লৈমা মপুরোইবা মিলননা মশাগী শেল পুথোক্লগা লেৱা লমদিং অমদি ঈ ঈ ও লমদিং ক্লব অনীনা খুৎশম্নদুনা ঙসি লৈকায় অসিদা লৈবা দিফরেন্টলি এবল্দ পার্সন ৩১ দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি শেল য়াওনা য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা মতেং পাংখ্রে।

### Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| RIMS | - 2414478 |
| J.N. Hospital | - 2450385 |
| DG Control | - 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | |
| Imphal | - 101 |
| Moirang | - 8415925197 |
| Churachandpur | - 8415925191 |
| Thoubal | - 8415925203 |
| Kakching | - 8415925194 |
| Jiribam | - 8415925193 |
| Mayang Imphal | - 8415925196 |
| Bishnupur | - 8415925190 |
| Moreh | - 8415925198 |
| Kangpokpi | - 8415925195 |
| Ukhrul | - 8415925205 |
| Senapati | - 8415925199 |
| Chandel | - 8415925192 |
| Singhat | - 8415925201 |
| Sugnu | - 8415925202 |
| Yairipok | - 8415925206 |

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 83.285174 |
| US Dollar | 76.163234 |
| British Pound | 94.821293 |
| Australian Dollar | 48.339911 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.830332 |
| Japanese Yen | 0.702887 |
| Malaysian Ringgit | 17.683117 |
| Singapore Dollar | 53.899624 |
| South Korean Won | 0.062876 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.310196 |
| Thai Baht | 2.329852 |
| Myanmar Kyat | 0.05361 |
| Bangladesh Taka | 0.89715 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 44937.50 |
| Mumbai | – | Rs | 45249.00 |
| Delhi | – | Rs | 45249.00 |
| Kolkata | – | Rs | 44479.00 |

## চান-থক্লবা ফংদবগী চৈরকসিদা ঈশিংগী অৰাবা মায়োক্লবা হৌরে : ইপসা

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): কোরোনাভাইরস থেংননবা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু লৈখিবদগী চান-থক্লবা ফংদবগী অচৌবা অৰাবা অমা থেংনরিঙৈ চৈরক অসিদা ঈশিং ফংদবগী অৰাবা মায়োক্লবা হৌরে হায়না ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)গী আই পি আর সেক্রেটরি এস তোম্বীসনানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরগী মরু ওইবা তুরেলশিং ঈশিং কংশিল্লকপগী পাউ ইপসানা পাউচেগী খুথাংদা তারে। টোটি ঈশিং ফংদবা খুল কয়াদি পুখ্রি, পাৎ, তুরেলদা ফংবা ঈশিং শীজিন্নে। অসিগুম্বা মীয়াম্না শীজিন্নরিবা ঈশিংগী মফমশিং হৌজিক ঈশিং কংশিল্লকপনা অৰাবা মায়োক্লুরে। ঈশিং কংশিল্লকপসিদা মহিক-মতাইদগী ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। পি ঐচ ঈ দিনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌহনবা তঙাইফদে। দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লায় য়ুনিটশিং, রিজার্ভরশিং অসিদা ফিজি গ্রি, শুনু, ক্লোরিন, ব্লিচিং পাউদর মরাং কায়না লৈরিব্রা অমদি হাপ্লিব্রা হায়বসি খঙবা পান্মী। পাৎ, তুরেল, পুখ্রিগা শাগোন্ননা লৈরিবা খুঙ্গংগী মীয়ামদা ফিজিগ্রি, শুনু, ব্লিচিং পাউদর অমদি ক্লোরিন টেব্লেটনচিংবা মরাং কায়না ফংহনগদবনি।

ঈশিংগী অৰাবা মায়োক্লরিবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক অমদি পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্টনা মতিক চাবা থবক লৌখৎহৌদ্রবদি ঈশিংদগী থোকপা লায়না কয়া লাকপা য়াই। মসি লাক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবা চঙই। ঈশিংদগী শন্দোরকপা য়াবা লায়না কয়া অমা লৈরিবনি। লোক খুলাই, উনসা লায়না মখল কয়া অমদি তোঙান তোঙানবা লায়না মখল কয়া ঈশিংদগী শন্দোরকপা য়াই। মসি লৈঙাক্লা মতম চানা মীৎয়েং চঙহৌবা চুমগনি। কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসিদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু লৈখিবনা মীয়ামদা থক্ল-চানবা ঈশিংগী অৰাবা চাউনা মায়োক্লুরি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা থক্লবা ঈশিং অমদি নোংমগী তঙাইফদনা শীজিন্নদ্রবা য়াদ্রবা ঈশিং ফংলত্তবা অসিনা মীয়ামদা হেন্না অৰাবা থেংনরক্লি। তুরেলশিং কংশিল্লকপা অমদি পুখ্রিনচিংবা লৈরিবা কয়া অসিসু ঈশিং কংশিল্লকপনা ঈশিংগী অৰাবা চাউনা মায়োক্লবা ফীভমদা লাক্লে। লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদসু অথুবদা মীৎয়েং চঙদুনা মীয়ামগী অৰাবা অসি কোক্লবা হোৎনবীয়ু। চান-থক্লবা ফংদবা মরক্তা ঈশিং ফংলত্তবা হায়বসি অরুবা ফীভম লাক্কনি হায়নসু মখা তারি।

## লোকদাউন কোমথোক্লিঙৈ মনুংদা মীয়াম হুপচিন্নদুনা পোৎ লৈনখিবা মওংদু লাইবক থীবনি : ইপাক

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): লোকদাউন কোমথোক্লিঙৈ মনুংদা মফম খরদদি ইলেক্ট্রোনিক আইটেম য়োনবা দুকান ফাওবা হাংদুনা মীয়াম হুপচিন্নদুনা ফেষ্টিভেলগী পোৎচৈ লৈবগুম লৈনখিবা কয়াদু লাইবক থীবনি হায়না ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক)কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি আর কে প্রিতমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লাইচৎ অসি য়াম্না লাইনা খনবা, ষ্টেট অসিদা অনাবা মী য়াম্না লৈত্রি, কিনিংঙাই লৈতে হায়না লোকদাউন অসি ফাজিন-পুনশিনবগুম খনবগী মওং ওইগদৌরিব্রা। লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীবগী চাং ৱাৎপ্রা, মীয়ামদা ফংহল্লিবা ইসেন্সিএল কম্মোদিটিশিং ফংহনবা মতমদা অশোয়বা লৈবশিং মতম চানা য়েংশিনবা ঙমদবদগী মীয়াম্না থাজবা ৱাৎলকপদগী গাইদলাইন থুগায়রকপদগী মরম ওইগনি হায়বা অসিনি। ঐখোয় অমত্তা ওইনা ৱাখল তামিন্নদুনা লাইচৎ অসি থেংনমিন্নবা নত্তনা অতোপ্পা কনানসু কনবা ঙম্লোই। পীকখ্রবা ফুরুপ অসি ঐখোয় ৱাখল তাহৌদ্রবদি মাঙখিবা য়াই। নুংশিরবা ইমা-ইপা অমদি ঐখোয় পুন্নমক ঙাইহাক্তং ফাওবা থাদোকপদা অৰাবা ওইরিবা পীক্লিবা করিসু খঙদ্রিবা অঙাংশিং লায়না অসিনা নাখ্রবদি অৰাবা ওইগনি। ইমানি, ইচানি হায়না থৌগল তৌবা য়ারোই। লাইচৎ অসি থিংনবা শেল্লিবা গাইদলাইনশিং চেকশিনবা মথৌ তাই। য়ুমদা লেংদনা লৈবীয়ু।

ষ্টেট লৈঙাক্লসু মীয়ামগী মথৌ তাবশিং ফংহনবা চঙই। নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পীনবগীদমক এ সীশিংগী এম এল এশিংদা পীখিবা লুপা লাখ ২৫ গী শেনফম অমদি অতৈ পোৎলমশিং অসি মীয়ামদা কাঙলোন চুম্না ফংহনবীয়ু। এম এল এশিংনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামদা মতেং পাংবীয়ু। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি শন্দোরকপদগী ষ্টেট অসিদা লৈবা এদ্যুকেসনল ইনষ্টিট্যুসনশিং ক্লোজ তৌখিবদগী হৌজিক মহৈরোয়শিংগী তুংগী করিয়রদা অচৌবা অহোবা অমা ওইরকপা য়াবগী ফীভম লাক্লি। মসি খরমখৈ মেনখৎনবা লৈঙাক্লা টিভি চেনেল অমদি প্রাইভেট টিভি চেনেলনচিংবদা মতম খায়দোক্তুনা এদ্যুকেসনল প্রোগ্রামশিং চাং নাইনা শন্দোক্লবা খোঙথাং পায়খৎপীয়ু।

লোকদাউনগী খুদোংচাবা লৌদুনা পোৎ য়োল্লম্বশিং, কাঙলোন লান্না পোৎচৈ পুশিল্লকপশিং য়েংশিনবীয়ু। পোৎচৈ মমল হেন্না য়োল্লিবশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙগনি। ষ্টেট লৈঙাক্লসু মখোয় ফারবা মতুংদা বেলদা থাদোকপীগনু। চপ চাবা থবক লৌখৎপীয়ু। মরালগী মতিক চাবা চৈরাক মীয়াম খঙনা পীগদবনি। লুরবা চৈরক অসিদা মতম ইফং ফংদবগুম পোলিটিকেল পার্টিশিংসু হুন্নদুনা লৈবসি তৌবীগনু। মীয়াম্না মসি তাবগী মতম লৈতে।

মালেম পুম্বদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি থেংনমিন্নবা তাই। ঙরাং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থন্নকখিবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু পুং খরা কোমথোকখিবা মতমদা মীয়াম্না পোৎচৈ লৈননবা মশিং য়াম্না থোক্লুরকখি। এৱ্যের্নেস ৱাৎপগী অচৌবা মমি তাবগুম লাইচৎ অসি থেংননবা গাইদলাইনশিংগী মরুওইবা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং মেন্টেন তৌখিদবগী মওং উখি। মীশিং য়াম্না থোক্লুরক্তুনা পোৎচৈ ফেষ্টিভেলগী পোৎ লৈবগুম লৈনখিবসি লাইবক থীবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অতাবা মমলদা চেঙ-চাক লৈবা ফংহনবীয়ু : নলিনিকান্তা

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): প্রাইভেট রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা অতাবা মমলদা চেঙ-চাক লৈবা ফংহনবীয়ু হায়না কম্যুনিটি রেস্পোন্স ওন কোভিদ-১৯গী কনভিনর আর কে নলিনিকান্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা প্রাইভেট অমদি গভর্ণমেন্ট স্পোন্সর রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিং হাংদোক্লবা অমসুং মখোয়গী তঙাইফদ্রবা পোৎলম খুদিংমক মতিক চানা ফংহনগনি হায়না চেরোল অমা থোকখিবসি তরাম্না ওকই। সোসল ৱেলফ্যের লোয়শঙ অমদি মরী লৈনবা পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকই। লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনা মরম ওইরগা চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা তাঞ্জাসিদা তঙাইফদ্রবা এ আর টিগী হিদাক-লাংথকশিং পি এল ঐচ আই ভিশিংদা সী আর ও সী-১৯গী ভলন্টিয়রশিংনা চৎতুনা ময়ুম-ময়ুমদা য়ৌহনবগী থবক লেপ্তুনা চঙশিল্লি। ও এস টিগী মখাদা লায়েংলিবা দ্রগ য়ুজরশিংদা নোংমগী শোয়বা য়াদনা মতম চানা হিদাক ফংহল্লি।

লোকদাউন মনুংদা লৈফম লৈত্রবা দ্রগ য়ুজর খরা রিহেবিলিটেসন সেন্টর অমদা থমখিবা লো ইনফোর্সমেন্ট পর্সনেল অমদি লন্নাই লূপপুসু থাগৎলি। য়ুজরশিং অদুগীদমক সী আর ও সী-১৯গী মায়কৈদগী হিদাক-লাংথক অমদি চান-থক্লবা অঙম্বা মতেং পাংখি। অথিংবা কয়াসিগী মরক্তা ময়ুম-মকৈ লৈজদ্রবা অমদি লম্বী-লমজাওদা কোয়চৎ চৎতুনা লৈরিবা দ্রগ শীজিন্নবশিংগী লৈফম শীন্নবগীদমক সোর্ট ষ্টে হোম অমা অথুবদা হাংদোক্লবা হোৎনরি। মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে। হীরম অসিগা মরী লৈননা হেল্থ মিনিষ্টর অমদি অতৈ মরী লৈনবশিংদসু চেংশিং পীশিনবগা লোয়ননা ফম্মিন্নদুনা খন্নমিন্নখিবা লৈখ্রে। তং-তাবা অমদি খঙলগনি। মসিদা মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা পূক্নিং থৌগৎতুনা শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ুনা মরম ওইরগা চীঙ্গাক্কী অৱাৎপা কয়া মায়োক্লবদগী খম-থেংনা ৱারবা প্রাইভেট রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা চেঙ-চাক অতাবা মমলদা লৈবা ফংহনবীয়ু। মণিপুর মীয়ামগী হিংবা শিবগী লাঞ্জংনি হায়না খনবীদুনা লৈঙাক্কী, লাইনিংগী ৱাখল্লোন খেন্নবা থমদনা খোঙথাং অমদা লেপমিন্নরসি হায়রি।

## সী এম কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা মতেং পাংনরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা মীওই কয়ানা লেপ্তুনা মতেং পাংনরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এম এল এ অব্দুল নাসিরনা লুপা লাখ ১, এম এল এ রামেশ্বরনা লুপা লিশিং ৫০, ওল মণিপুর গেজেট এন্দ ষ্টাফ নর্স এসোসিএসন্না লুপা লিশিং ৫০, হৈক্রুজম মনোজনা লুপা লাখ ১, রুরেল একাদেমী ওফ লো ওইনামনা লুপা ১,০১,০০০, ডা. নিংঙোম্বম জিতেননা লুপা লিশিং ১০, ডা. এ ইবোমচানা লুপা লিশিং ১০, এস নেত্রজিৎনা লুপা লিশিং ১০, রোমিও লাইশ্রমনা লুপা লিশিং ১০, থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দগী এ রোবোটনা লুপা লিশিং ১০, শগোলবন্দ সয়াংদগী এস থোইবনা লুপা লিশিং ১০, খুরাই কোংপাল লাইশ্রম লৈকায়দগী কে আনন্দনা লুপা লাখ ১, পি দব্লিয়ু দিনা লুপা ৯,৯৯,৪২৩, পি দব্লিয়ু দি এঞ্জিনিয়র এসোসিএসন্না লুপা ১,৫০,০০০, রেবরেন্দ দোমিনিকনা লুপা লাখ ৩, ফামা মার্কেটিংগী ধৱননা লুপা লাখ ১, মণিপুর নর্সিং কাউন্সীলনা লুপা ১,২৩,০০১, মণিপুর টুরিজম ফোরমনা লুপা লাখ ২, ইনাৎ লাইনিং পুনশিন্নবা লূপনা লুপা লিশিং ১৭, এফ আই এন জি ও দি এ পি মণিপুরনা লুপা লাখ ১, হায় কোর্ট ইমপ্লোয়ী এসোসিএসন্না লুপা ২,০৬,২৭৪, বি জে পি মহিলা শুগনুনা লুপা লিশিং ৫০, ওল মণিপুর মেদিকেল ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন্না লুপা লিশিং ২০, সিনে এক্টর গিল্দ মণিপুরনা লুপা লিশিং ৫০, ভারতিয়া মজদুর সংঘনা লুপা লিশিং ৫০, সোমা লাইশ্রম, এক্ট্রেসনা লুপা লিশিং ৩০, ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙনা লুপা ৩,৫০,০০০ নি। মতেং পাংলকখিবা পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## বোর্দর পিল্লর পরিংদা অহোবা মেনশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) কোভিদ-১৯গী লাইচৎ ঙাকথোক্লবগীদমক লৈঙাক্লা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থল্লিঙৈ মনুংদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোরে অমদি ম্যান্মারগা তায়নবা ঙমখৈগী বোর্দর পিল্লর ৮০ দগী ৮২ ফাওবগী মরক্তা লৈবা অহোবশিং মেনশিনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপল অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা পুন্না লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মতুংইন্না ঙসি বোর্দর পিল্লর ৮০ দগী হৌরগা ৮২ ফাওবগী মরক্তা লৈবা খুলশিং মরুওইনা বোংজাং ভিলেজ, কোথা খুনৌ, মোলফাই ভিলেজশিং অমদি ম্যান্মারগা ফাওনবা অহোবশিং মেনশিনখ্রে। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপল অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী বি. বোংজাং ভিলেজ অমদি মোলফাই ভিলেজশিংদা চেঙনচিংবসু মতেং পাংখি। ঙসিগী শম্বল অহোবা মেনশিনবগী থবক অদুদা এস পি তেংনৌপল টি ঐচ বিক্রমজিৎ, এ দি সী মোরে এন মনিকান্তা, এ এস পি ওপরেসন তেংনৌপল টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বী, এ এস পি ওপরেসন মোরে এম অমিটনচিংবসু শরুক য়াখি হায়রি।

## ‘লৌমীগী থবক মফমশিংদা লোকদাউন কোমথোকউ’

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): ফার্ম অমদি লৌমীগী ওইবা মফমশিংদা লোকদাউন কোমথোকহল্লু হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সী পি আই মণিপুরগী সেক্রেটরিয়ট মেম্বরশিং টেলিফোনিক কনফরেন্স চথদুনা ৱাফম খরা ষ্টেট লৈঙাক্তা তকশিন্নবা য়ানখ্রে। কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থমখিবা অসিনা মীয়াম খম-থেংনা ৱানরে। মীয়ামগী মনুংদা খরা হেন্না অৰাবা মায়োক্লরিবসি লায়রবা অমসুং শুরি নোল্লিবা মীয়ামনি। মীয়ামগী পুকচাক পুথোক্লিবা লৌমীশিং নমথদুনা থম্বা তারবদি মীয়ামগী চান-থক্লবা অৰাবা মায়োক্লুরগনি। ষ্টেট অসিগী ইনকমদা লৌউ-শিংউবনা খ্বাইদগী মরুওইবনি। লৌমীশিংগী পোথোক পুথোক-পুশিন তৌবা অমসুং য়োন্নবা লোয়ননা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনবা তাই।

ঙানু-য়েন ফার্ম তৌরিবশিং লোকদাউন অসিনা কোক্তা খুৎ হাপ্পবগী পাউনা নাকোং শিংজা য়ৈরে। খ্বাইদগী মরুওইবসি পুকচাক্কী সেক্তুরনি। মচিঞ্জাক মপান লমদগী পুরকপদগী হৌনা ফার্ম ফাওবা য়ৌহন্নবা থবক পুন্বা লোকদাউন অসিদা কোমথোকপীয়ু। লোকদাউন হেন্না কন্না তৌরগনি হায়না লাউথোরকপদা গ্রোসরি দুকান পুন্বা থোঙ হাংবা য়ারোই হায়দুনা লোনখ্রে। হোম দেলিভরিগী থবক্লা মীপুম খুদিংদা য়ৌশিনবা ঙমদ্রিবনি। গ্রোসরি দুকানশিং লোকদাউনদগী কোমথোকপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ইরমদম কনবা লূপনা নুপীশিংদা চান-থক্লবা মতেং পাংলি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): ইরমদম কনবা লূপ (ইকল)না শীন্দুনা নুপীশিং অমদি অশানবা য়ুমদা লৈবা শিন্মীশিংদা চেঙ, ঙারি, থুমনচিংবা মতেং পাংখ্রে।

ইকলগী সেক্রেটরি লুৱাং লৈমনা ফোঙদোকখিবদা, এপ্রিল ২দগী লেপ্তুনা নুপী শিন্মীশিংদা মতেং পীবনি। নুপীশিংনা শিন্মী ওইদুনা মচা-মশু থাক্লবা হোৎনবদা অৰাবা মায়োক্লুরি। লোকদাউন তৌখিবা অমদি কর্ফিয়ু লৈখিবা অসিনা নুপী শিন্মীশিংনা মায়োক্লরিবা কয়া অসিদা ইকলনা মতেং পাংবনি। নুপী শিন্মী ৫০০ দা মতেং পীনবা ৱাখল থম্বনি। মীওই ৩০০ দা মতেং পীখ্রে। শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তগী হৌরগা লৈকায়-লৈকায়দা নুপীশিংনা অশানবা য়ুমদা লৈরগা শিন্মী ওইবশিংদা মতেং পীবনি।

শিংজমৈ চিংঙামখা, লংথবাল, উরিপোক ৱার্দ নম্বর ৯দা লৈবশিংসু পীরি। মপুরোইবা লৈখিদ্রবা নুপীশিংদসু মতেং পীরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মৈনা চাকপদা মতৈ-মনাও শিরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হট্টা মখা লৈকায়দা লৈবা ইষ্ট এন্দ ষ্টিল ফর্নিচরগী দুকান ঙরাং নুমীদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবদা খঙহৌদনা মৈ চাকপদগী দুকান অদুদা লৈবা মতৈ-মনাও অনীমক শিরে।

লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মতৈ-মনাও অনী অদুদি, এম দি সুনিল শাহ এলিয়স ইস্লামুদ্দিন (৪০), মহাক্কী অনীশুবা লোয়নবী আর কে মোনিকা (৩৫) নি। আর কে মোনিকানা ঙরাং থৌদোক থোকফম অদুদা লৈখিদবনি। অদুগা মাগী মপুরোইবনা জেনিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নরবা মতুংদা ঙসি অয়ুক পুং ৯ রোম তাবদা লৈখিদবনি।

দুকান মৈ চাকপা অদুদা চাউরাক্লা লুপা লাখ ১৫/২০ রোমগী ওইবা খুৎশু-খুৎলায়শিং অমদি পোৎচৈশিং য়াওখ্রে। মসিদা নত্তনা এ টি এম কার্দ, পাসবুক, ফর্নিচরগী আইটেম অমদি থবক শুবা মীওইশিংগী মোবাইল ফোননচিংবা য়াওনা অমাঙ-অতা থোকখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## ‘ট্রক মৈ থাখিবা কনাগী মরালনো’

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লুংরৈফুং খুল মনাক্তা লোকদাউন থুগায়দুনা লাকখিবা ট্রক অমা মৈ থাখিবদু কনাগী মরালনো হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী প্রিসিদেন্ট সাপম জাদুমনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লুংরৈফুং খুল ময়াইদা চসাদ পুলিস ষ্টেসন শানবা য়োৎ অমদি পোৎলমশিং পুবা ট্রক অমা মৈ থারমখি। কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা লম্বী চৎনদ্রবা মতমদা করম্না পুলিস ষ্টেসন শানবা কন্ট্রেক্টর অদুনা পোৎচৈ পুরল্লিবনো। লোকদাউনন্না মরম ওইরগা দুকান খুদিংমক থোঙ লোন্দুনা চেঙ, হৱাই, এন্সাং ফাওবা লৈবা ফংনদ্রবা মতমসিদা করম্না পোৎলমশিং অদু লৈরুবনো। হান্না লৈহৌবা ওইরগনা লোকদাউন তৌদ্রিঙৈদা পুহৌবা য়াদ্রব্রা।

ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজ নত্তবা অমত্তা পুথোক-পুশিনগী অয়াবা পীরোই হায়না থমখিবা লৈখ্রে। ৱাফম অসি লৈনা লৈনা করম্না দি সীনা অয়াবা পীদুনা পোৎলমশিং অসি পুহল্লিবনো। পর্মিট য়াওদনা পুরিব্রা হায়রি।

## ককচীংদা তেংবাং পীবগী থবকশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২(ঐচ এন এস): মালেমগী লৈবাককয়াদা লাইচৎ অমা ওইনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) থেংননবা ইন্দিয়া পুম্বদা চথরিবা লোকদাউননা মরম ওইরগা অৰাবা থেংনরিবা মীয়ামদা চান-থক্লবা তেংবাং পীবীনিংবশিং লেপ্তুনা য়েম্থোক্লুরি।

সেনা য়ুঠস ট্রষ্ট, ককচীং ৱাইরি সেনাপটি লৈকাইনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ককচীং ৱাইরি সেনাপটি লৈকাইগী এরিয়াদা লৈবা খরা হেন্না শোথরবা ইমুং ২৫দা গৌর লাইনীং চৎপশিংগী চৈরাওবগা মরী লৈননা লোকলগী চেঙ মীকোক্কী মতুং ইন্না য়েন্থোকখ্রে অমসুং হৈক্রুকপোকপীদা লৈবা মিসন ব্লাইন্দ স্কুলদা লোকলগী চেঙ বেগ অমা অমসুং হৱাই, চিনি অমদি অচা-অথকশিং তেংবাংখ্রে।

অমরোমদা, ককচীং লাইথাঙ্গোল লৈকাইদা লৈবা য়ূমথোঙ ২২০দা লাইথাঙ্গোল লমজিংবা লূপ, ককচীং লাইথাঙ্গোল লৈকাইনা চেঙ, হৱাই, আলু, কোবী, অচাথাউ য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলম মথেল ১০ য়েন্থোকখ্রে। লোকদাউনগী অৰাবা মরক অসিদা চৈরাওবগা মরী লৈননা ককচীং লাইথাঙ্গোল লৈকাইদা লৈবা নহাশিংনা অমসুং মীওইশিংনা খায়গৎনবা শেনফমদগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈঙাক্লা পীরিবা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তুনা য়েন্থোকপনি হায়রি। লাইথাঙ্গোল লমজিংবা লূপকী থৌমীশিংনা মিসন ব্লাইন্দ স্কুল, হৈক্রুকপোকপী, বেকৱার্দস দিভলপমেন্ট সর্ভিসেস, ককচীং চুমনাংনা চল্লাইবা নুপীমচাশিংগী ওইবা ওর্ফান হোম অমসুং ককচীংগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মথৌ পাঙথোক্লিবা পুলিস পর্সনেলশিংদা চান-থক্লবা মখল-মথেলগী অচা-অথকশিং য়েন্থোকখি হায়রি।

## অৰাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি তুইখাং ইমশোং (অশোং কোইরেং)না ঙরাং মহাক্কী পোক্লফম উতোংলোক কোইরেংদা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি হায়না য়ু পি এফকী প্রিসিদেন্ট দল্লিয়ু সেকেন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অশোং কোইরেং কুমজা ১৯৬৪দা উতোংলোক কোইরেংদা পোকখি। মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লবা হোৎনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌদুনা য়ু সী এম হেদ ওফিসতা এসিষ্টেন্ট এক্সটর্নেল সেক্রেটরি ওইরমখি হায়রি।

## অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নরসি : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নসি হায়না ওল মীতৈ পাঙল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি জাকিরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেমগী ওইনা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীওই লাখ কয়া নারি। মীওই লিশিং কয়া অমা শিখ্রে। ইন্দিয়াদসু লায়না অসি শন্দোরকপগা লোয়ননা লোকদাউন লাউথোকখ্রে। মণিপুরদসু লোকদাউন চথবদগী মীয়াম অৰাবা থেংনরি। পোৎচৈগী মমল হেন্না য়োল্লিবশিং হকচিন্না লৌই। মমল হেন্না য়োনবা খুদক্তা লেপকদবনি। পোৎচৈগী মমল হেন্না য়োনবা দুকানশিংদা দ্রাইভ চথবা হৌরগনি। নোংমগী চরা তান্নবা অফং-অফংবা থবক শুদুনা শেল তানবা শিন্মীশিং লোকদাউননা শুফম-নোম্ফম লৈতদুনা অৰাবা মায়োক্লদুনা লৈরি। মণিপুরদসু কোভিদ-১৯ না পোজিটিভ ওইবা মীওই য়াওরক্তুনা লায়েংলিবসিদা অহানবা পোজিটিভ ওইখিবী অদু লায়েংদুনা নেগেটিভ ওইরকপদা লৈঙাক অমদি লায়েংলিবা পুন্নমকপু থাগৎলি। পোজিটিভ ওইনা হৌজিক লায়েংলিবা অদুসু থুনা ফরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঈশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু লৈবদগী য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদদুনা অৰাবা মায়োক্লরিবা অসিদা য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ সৈত্যব্রত্তগী মীৎয়েং মখাদা এ সী অসিদা চান-থক্লবা চেঙ, হৱাই, য়েন্থোকখ্রবা মতুং ৱার্দ নম্বর ১৪/১, ১৪/৩ অমদি ১৪/৫কী শরুক খরদা য়ুমথোঙ-য়ুমথোঙদা ঈশিং লিটর ৫০০/৫০০ রোম য়েন্থোকখ্রে। এ সী অসিগী য়ুম ৪০০ রোমদা ঈশিং য়েন্থোকখি। ঈশিং য়েনবগী থবক মখা তানা চথখিগনি হায়নসু ঈশিং য়েনবা লাকপা মীওইশিংনা ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

## তেংবাং পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২(ঐচ এন এস): মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসন (এম এম টি এ)না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লমদান খুলদা চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না এম এম টিএগী জেইন্ট সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯ লায়না শন্দোরকপসি থেংননবা লোকদাউন তৌখিবা অমদি কর্ফিয়ু থমখিবনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৰাবা থেংনরি। মতম অসিদা এম এম টি এনসু থা অসিগী ৮দা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী লমদান খুলদা চানবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে।

মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং ইনষ্টিট্যুট লৈরিবা লমদানগী য়ুম্নাক ১০০ রোমদা এম এম টি এগী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা টিম অমদি লমদান খুলগী খুল্লাকপা খোরিপাও য়াওনা চানবা পোৎলমশিং আলু, হৱাই, অচাথাউ, থুমনচিংবা য়েন্থোকখি। ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং থমদুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদসু এম এম টি এগী ভলন্টিয়রশিংনা খুঙ্গাশিংগা ৱারী শাদুনা এৱ্যের্নেস লৈমিন্নখি।

অমরোমদা, খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা শগোলমাংদগী লৈখিদ্রবা এস য়াইমাগী মিংদা মহাক্কী লৈহৌরিবা মচাশিংনা লৈকায় অদুগী য়ুমথোঙ কয়াদা নোংমগী তঙাইফদনা চঙবা হৱাই, আলু, থাউ, থুমনচিংবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

## অৰাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস): খাবী খুলদগী কম্রেদ কৈথেল্লাকপম পীকপী (৭৫)না মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদবদা অৰাবা ফোঙদোক্লি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

পীকপী লৈখিদবদা পার্টি অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জয়কুমার অমদি কোন্থৌজম লোকলগী লুচিংবশিং, ও ইবোতোম্বী, আই চাওবনচিংবা কয়া য়াওনা অৰাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মহাক্লা লৈখিদবদা অৰাবা ফোঙদোক্লি। পার্টিঅসিগী মেম্বর অমা ওইনা কুমজা ১৯৭৪ দগী থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়ারকখি হায়রি।

## বেঙ্গলুরুদা পন্দুনা...

*লামায় ১গী মখা...* তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং তেংবাং পীবা অমসুং অশানবা য়ুমদা লৈরিবা মীওইশিংনা থাগী থিফম থোকপা শেনফম পীথোকপা ঙমদবগী মতাংদা লৈফম-চাফম শীনবা অসিনচিংবা য়াওরি।

ফীভম অসিদা কর্নাটাকা গভর্ণমেন্টনা অৰাবা তারবা মণিপুরগী মীওইশিংদা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি ফন্দ নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট মিনরেল ফন্দ নৎত্রগা বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের ফন্দদগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং মতেং পাংবীবা মথৌ তাই হায়নসু স্পিকরগী চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।

## লোকদাউন কোমথোক্তুনা...

*লামায় ১গী মখা...* চঙবা চুমগনি। চান-থক্লবা হীরমদা পোলিটিক্স তৌবা য়ারোই। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চাউখৎলবা লৈবাক কয়াদা মশিং য়াম্লবা মীয়াম শিবা অমদি নাবা য়াওরিবনি। অমেরিকা হায়রিবা মালেমদা চাউখৎলবা লৈবাক অসিদা মীওই লিশিং ২০ হেন্না শিখ্রবনি। ইন্দিয়াদসু কোভিদ-১৯না নাবগী মশিং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। ফীভম অসিদা ঐখোয় য়াম্না চেকশিন্না লৈবা মথৌ তারি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি থেংননবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎলি। মণিপুরদা পোজিটিভ ওইখিবা মীওইশিং লায়েংবদা হকথেংননা থেংনরিবা ডোক্তর অমদি নর্সশিংবু ঈকায় খুম্নে। মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎপীবা তঙাইফদে। জেনিমসতা লায়েংলকখিবী নুপী অদু নেগেটিভ ওইখ্রে। লৈঙাক্লা জেনিমসকী টিমদা মনা লাউথোকখিবসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। কোভিদ-১৯ থেংনবা হোৎনবদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। কোভিদ-১৯গী মতমসিদা পুলিস অমসুং মীদিয়াগী মীওইশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসিসু য়াম্না চাউই। মখোয়গীদমক লৈঙাক্লা পোলিসী কয়া পুথোকপীফম থোকই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা হান্নগী দেপ্যুটি সী এম গাইখাঙম, এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম, কে মেঘচন্দ্র, খুমুকচম জয়কিষননচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## জেনিমসতা লায়েংলকখিবী নুপীমচা...

*লামায় ১গী মখা...* মতমদা নুপীমচা অদু দিসচার্জ তৌখ্রে। অদুম্মকপু মহাক ঙসিদগী পারগা নুমীৎ ১৪নি হোম ক্বারন্টিনদা থমখিগনি। মদুগী মতুংদা অমুক হন্না মহাকপু টেষ্ট তৌখিগনি। মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা পীবা হোম ক্বারন্টিনগী গাইদলাইনশিংসু নুপীমচা অদুগী অপোকপদা খুৎশিন্নখ্রে।

কোভিদ-১৯না নারবা পেসেন্ট অমা আই সী এম আরগী গাইদলাইনগী মতুংইন্না থংনা-থংননা অনীরক টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরবদি মীওই অদু কোবিদ-১৯দগী নাবা ফরে হায়না লৌই। অদুবু নুপীমচা অসিগী ওইনদি জেনিমসতা অহুল্লক হন্না টেষ্ট তৌরবা ফাওবদা নেগেটিভ ওইখি। অদুম্মকপু ভিমিগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদসু চেকশিন থৌরাং ওইনা মহাক্লা হোম ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈরিঙৈদা ৱারী-ৱাতাই শানবা তারবসু ভিমি মশামকসু অমদি মহাক্কা ৱারী শাগদৌরিবা মীওইশিং অদুসু মাক্স উপ্তুনা দিষ্টেন্স মেন্টেন তৌদুনা ৱারী শাননবসু ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খঙহনখ্রে। লোয়ননা ভিমিবু হকথেংননা লায়েংলম্বা দোক্তর অমদি নর্স য়াওনা মীওই ৫ টেষ্ট তৌখি। মখোয় মঙামক নেগেটিভ ওইখি। মসিগী মথক্তা ভিমিবু লায়েংলম্বা দোক্তরশিং ক্বারন্টিন তৌবা লোয়রবা মতুং টেষ্ট তৌদুনা দিসচার্জ তৌগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল রুমদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপর্সন ডা. খোইরোম শশিকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মোরেদা লাক্লম্লগা বেঙ্গলুরুদা হনখিবা মীওই অমা মফম অদুদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক্লা নক্লনা লৈরম্বা মীওই ১৯ ঙসি রিমসকী ভি আর দি এলদা টেষ্ট তৌবদা সেম্পল খুদিংমক নেগেটিভ ওইরে। বেঙ্গলুরুদা পোজিটিভ ওইবা থেংনরে হায়রিবা মীওই অদু হৌখিবা মার্চ ১২দা ষ্টেট অসি থাদোকখিবনি অমসুং বেঙ্গলুরুদা এপ্রিল ৮দা টেষ্ট তৌখিবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। মণিপুরগী ২শুবা কেস ওইনা থেংনখিবা মীওই অদু হৌজিক-হৌজিক রিমস হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরি।


**MANIPUR MILK PRODUCERS' CO-OP UNION LTD. POROMPAT, IMPHAL EAST**

**সংৱাদ/খঙহঞ্জবা**

লোকদাউন তৌখিবদগী Polyfilm লাক্তবনা মরম ওইদুনা Central Dairy Plant, Porompat না Chumthang থাবা Milk Packet কী মহুত্তা Sangom হায়না থাবা Packet ওইনা মতম খরা মীয়ামগীদমক পুথোকচখিগনি।

*Sd/-* **Ng. Ibotombi Singh**
**Managing Director**

HL-P/6665/13